# ষ্টেলিননা বি জে পিদা পীবা পাউজেল ঃ ইন্দিয়া হিন্দি–ঙাংবা ষ্টেটশিং খক্তগী নৎতে

*চেন্নাই, মে ২৫(এজেন্সি)ঃ*



দ্রবিদা মুন্নেত্রা কঝগম (দি এম কে) চীফ এম কে ষ্টেলিননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী পার্টিদা হিন্দি লোন ঙাংবা ষ্টেটশিং খক্তনা ইন্দিয়াগী লম ওইরম্বগুম তৌবা নুমিৎশিং অদু লোইখ্রে হায়রদুনা ঙসি সেন্টরদা লৈবা বি জে পি গভর্ণমেন্টতা অকনবা পাউজেল অমা পীখ্রে।

দি এম কে লুচীংবা অদুনা তামিল নাদুদা অঙকপা ফংনা কনবা লোক সভা মীখলগী কেম্পেন মায় পাক্না চত্থখি অমসুং ষ্টেট অসিগী সিট ৩৮গী মনূংদা মহাক্কী পার্টিনা সিট ৩৭ মায় পাকপা ঙমহনখি।

ষ্টেট অসিগী লৈহৌরিবা সিট ভেলোরগী মীখলদি য়াম্লবা শেন ফাখিবগী মতাংদগী মীখল য়েথোক্তুনা লৈরি।

মহাক্কী পার্টি ৱার্করশিংনা নীংবা কায়বা ফোঙদোক্লরকখিবদা প্রসিদেন্ট ষ্টেলিননা মহাক্কী ৱাফম অসি ফোঙদোক্লকখিবনি।

পার্টি অসিগী নেসনেল এলাই ওইরিবা কোংগ্রেসনা অতৈ ষ্টেটশিংদা য়াম্না শোত্থনা লৈখিবা অদুনা দি এম কেনা লোক সভা মীখলদা অয়ৌবী থাক্তা ফজনা মায় পাকখ্রবসু করিমতা কান্নদবগুম থোক্লে হায়না পার্টি ৱার্করশিং অদুনা খল্লি।

লৈবাক অসিগী মফম অয়াম্বদা বি জে পিনা অচৌবা অরীবা পার্টি অদু মমি শামহল্লকখ্রে। ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি–১৭তা কোংগ্রেস পার্টি মরু ফুকখ্রে। অদুবু তামিল নাদুদদি দি এম কেনা মখোয়দা পীখিবা সিট ৯গী মনূংদা সিট ৮ ফংবা ঙমহৌখি।

কোংগ্রেসনা লৈবাক্কী থাক্তা য়াম্না থিনা শোত্থনা লৈহৌখিবা অদুনা হৌজিক দি এম কে লিদরসিপনা সেন্টর অমসুং ষ্টেট লেবেল অনীমক্তা য়েক্লবা গভর্ণমেন্টশিংগা থবক তৌবা তারি হায়না খল্লি।

করিগুম্বা কোংগ্রেসনা মেজোরিটি অমা ফংলম্বা তারবদি মীখলদা শকখিবা ৱাশকশিং অদু মখোয়না পীবা ঙম্বগী ফিভমদা ফজনা লৈরমগনি হায়না মখোয়গী ৱাখলদা পোক্লি।

পার্টিগী মায়োক্তা লৈবা অমসুং হৌজিক ষ্টেট গভর্ণমেন্ট পায়রিবা ওল ইন্দিয়া অন্না দ্রবিদা মুন্নেত্রা কঝগম (এ আই এ দি এম কে)না সুপ্নগী সিট অমখক অমসুং মসিগী চৎমিন্নবা বি জে পিনা জিরো ফংখিবনি।

অদুম ওইনমক পার্লিয়ামেন্টরি মীখলগা মতম চপ মান্ননা পাংথোমিন্নখিবা সিট ২২গী এসেমব্লি বাই–পোলশিংদা এ আই এ দি এম কেনা ষ্টেটকী লৈঙাক পায়দুনা থন্নবা মতিকচাবা সিট মশীং –৯ ফংখি অমসুং ষ্টেলিনগী চীফ মিনিষ্টর ওইনবগী আশা থুগাইখি।

অদুবু হনবা লৈতবা ষ্টেলিননা পার্লিয়ামেন্ট অমসুং তমিল নাদু ষ্টেট এসেমব্লিদা নুংঙাই –য়াইফবা অমসুং হকশিংগীদমক দি এম কেনা মীয়ামগী খোল্লাও অদু ওইখিগনি হায়খি।

এ আই এ দি এম কেনা ষ্টেট এসেমব্লিদা সিম্পল মেজোরিটি মার্ক ১১৭দগী ৬ হেন্না সিট ১২৩ ফংলি।

মমিং চৎলবা লৈখিদ্রবা দি এম কে প্রসিদেন্ট করুনানিধিগী মচানুপা এম কে ষ্টেলিনগী মখাদা দি এম কেনা কোংগ্রেস অমসুং রাহুল গান্ধী অনীমকপু শৌগৎলি। তেলঙ্গনাগী চীফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রশেখর রাওনা কোন্নথংদা বি জে পি অমসুং কোংগ্রেস অনীমক য়াওদবা থার্দ ফ্রন্ট অমা শেন্নবগী মতম শাংনদগী লৈরকপা ৱাখল্লোন অদু অমুক পুথোক্লবসু ষ্টেলিননা রাহুল গান্ধীবু প্রাইম মিনিষ্টরিয়েল নোমিনি ওইনা শৌগৎলি।

# ইরানগী উংখৎনবশিং অসিনা লান থোক্লকপা য়াবগী মায়োক্তা ইমরান খানানা ৱার্নিং তৌরক্লি

*ইস্লামাবাদ, মে ২৪(এজেন্সি)ঃ*



ৱাসিংটন অমসুং টেহরানগগী মরক্তা উংখৎনবগী ফিভম অসুম–অসুম ৱাংখৎলকপা অসিদা রিজন অসিদা থোক্লকপা য়াবা লানগী খুদোঙথিবা অদুগী মতাংদা পাকিস্থান প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা ৱার্নিং তৌরক্লি।

ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর জবাদ জারিফনা ইস্লামাবাদতা লাকখিবা খোঙচৎ অমগী মতূংদা ইমরান খানগী ৱার্নিং অসি তৌখিবনি।

ৱাসিংটননা ইরাননদি হায়না মরান শীখিবা, গল্ফ রিজনদা ওইল টেঙ্কৰশিংদা থা অসিদা এটেক তৌখিবা অদুগী মতাংদা টেহরানগী রিজনেলগী য়েক্লবা সাউদি অরাবিয়াবু খোঙফম চেৎনা শৌগৎলিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং ইরানগগী মরক্তা উংখৎনবগী ফিভম হেনগৎলক্লি।

এটেকশিং অদু টেহরানগা করিগুম্বা মরী অমত্তা লৈনদে হায়না ৱাথোক অদুদগী লাপথোক্লা লৈরি, অদুবু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ঈৱাং থোক্লিঙাই ফিভম লৈরবা রিজন অসিদা লান থোক্লকপা য়াবগী নুংনাংবনা মরম ওইদুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা গল্ফ রিজনদা এয়ারক্রাফ কেরিয়র এটেক গ্রুপ অমা অমসুং অহেনবা লান্মী ১৫০০ থাজিনল্লকখ্রে।

য়ুমলোন্নবা ইরানগা লৈনরিবা পাকিস্থানগী ফৎতবা মরীশিং অদু অমুক ফগৎহন্নবগী হোৎনরিবা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা গল্ফ রিজনদা ৱাংনা উংখৎনবিসদা মহাক্না নুংনাংবা পোকই হায়খি। অদুবু য়ুনাইটেদ ষ্টেটস নৎত্রগা সাউদি অরাবীয়াগী অকক্লবা মমিং পনখিদে।

পাকিস্থানগা ইরানগা লৈনবা মরী হৌজিক থা খরদগী ফৎলকখিদে। ঙমখৈ ৱাংমদা মিলিটেন্টশিংবু চংজফম লৌদুনা লৈহল্লি অমসুং মখোয় অদু লৈহন্দনবা থবক মতিকচানা লৌখৎতে হায়না নকন অনীমক্না অমনা –অমদা মরান শীনদুনা পাকিস্থান অমসুং ইরানগা লৈনবা মরী ফৎনখিদবনি।

# ইন্দিয়ান আর্মিগী মীওইনা সাউথ সুদানদা য়ু এন পিছকীপিং ওপরেসনশিং লূচীংগদৌরি

*য়ুনাইটেদ নেসন্স, মে ২৩(এজেন্সি)ঃ*



ইন্দিয়ান আর্মি ইনফেন্ট্রি স্কুলগী কম্মান্দেন্ট লেপটনেন্ট জেনরেল শাইলেশ টিনায়েকরবু অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা পিছকীপিং ওইরিবা য়ু এন মিসন ইন সাউথ সুদান (য়ু এন এম আই এস এস)কী কম্মান্দর হাপখ্রে।

হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎতা মঙোন্দা পীবা মথৌ লোয়রগদবা রৱান্দাগী লেপটনেন্ট জেনরেল ফ্রেঙ্ক কমান্দজিগী মহুৎ মিষ্টর টিনায়করনা শিল্লগনি হায়না য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুইটরেসনা ঙরাং লাওথোকখ্রে।

য়ু এন এম আই এস এস তা ইন্দিয়াদগী লান্মী ২৪০০রেম য়াওনা পূন্না পিছকিপর ১৬,০০০ লোম হেনববু মিষ্টর টিনায়েকরনা কম্মান্দ তৌগনি। য়ু এন মিসন অসি সুদানদগী সাউথ সুদাননা নীংতম্বা ফংখিবা ২০১১দা শেমখিবনি। মিসন অসিদা থবক তৌবদা হৌজিক ফাওবদা পিছকীপির ৬৭ শিখ্রে।

সাউথ সুদান নীংতম্বা ফংদ্রিঙৈগী মমাঙ সুদানদা পিছকীপিং মিসনদা মিষ্টর টিনায়েকরনা থবক তৌরকখিবা মরমনা মহাক লমদম অদুগী মতাংদা মাঙজৌননা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা ওফিসারনি।

মহাক য়ু এন এঙ্গোলা ভেরিফিকেসন মিসন –৩ দসু থবক তৌরকখ্রে। জেনরেল সাইলেশ টিনায়েকর দিষ্টিঙ্গুইস সার্ভিসকীদমক বিসিস্তা সেবা মেদল অমসুং সেনা মেদল ফংখ্রবা আর্মি ওফিসারনি।

ইন্দিয়ান মিলিটরি একাদেমিগী ১৯৮০গী গ্রেজুয়েট অমা ওইরিবা সাইলেশ টিনায়েকরনা ইনফেন্ট্রি স্কুলগী থবক পুদ্রিঙৈগী মমাঙ আর্মি হেদক্বাটরসতা এদিসনেল দাইরেক্টর জেনরেল ওফ মিলিটরি ওপরেসন্স ওইরম্মি। মহাক্না দিভিজন অমা, রিক্রুটমেন্ট ট্রেনিং সেন্টর অমা অমসুং ব্রিগেদ অমসু কম্মান্দ তৌখ্রে।

# নদিয়াদা বি জে পি ৱার্কর হাৎলম্লে

*কলয়ানি, মে ২৫(এজেন্সি)ঃ*

ঙরাং নুমিদাং পূং ১০ রোম তাবদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী নদিয়া দিষ্ট্রিক্তা মশাগী চহী ২১ শুরবা বি জে পি ৱার্কর অমা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলম্লে হায়না পুলিস ওফিসার অমনা ফোঙদোকখ্রে।

চাকদহা টাউনগী তপবন এরিয়াদা লৈবা সান্টু ঘোস কৌবা বি জে পি ৱার্কর অদু টেলিফোন তৌরকপদগী য়ুমদগী থোকখিবনি অমসুং মহাকপু ক্লোজ–রেঞ্জদা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলম্বনি।

নদিয়া বি জে পি কমিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি তারাক সরকারনা মীহাৎ অদুগীদমক ত্রিনামুল কোংগ্রেসপু মরান শীখি অদুবু পার্টি অদুনা মদু য়াখিদে।

পার্টি ৱার্কর অদু কাপ্পুনা হাৎলমখিবা অদুগী মতূংদা বি জে পি লুচিংবশিং অমসুং ৱার্করশিংনা নাদিয়াগী নেসনেল হায়ৱে –৩৪দা লম্বী থীংবগী খোংজং অমা চত্থখ্রে।

লিখুনশিংনা ফোঙদোকপদা লোক সভা মীখল মমাঙদা সন্তোস গোসনা ত্রিনামুল কোংগ্রেসতগী বি জে পিদা চোংশিনখিবনি হায়রি।

মীহাৎ অসিগী মতাংদা পুলিসনা থিজিনবগী থবক অমা হৌখ্রে। ৱাহং পাউহং তৌনবগীদমক পুলিসনা মীওই ২ অদু ফাজিল্লে হায়না পুলিস ওফিসার অদুনা হায়খি।

# হন্দক্কী মীখলদা অরুনাচল এসেমব্লিদা পুন্নৌ– নৌবা এম এল এ ২০ চংলকখ্রে



*ইতানগর, মে ২৫(এজেন্সি)ঃ*

হন্দক লোক সভা মীখলগা মতম চপ মান্ননা পাংথোক্লিবা অরুনাচল প্রদেশকী মীখলদা বি জে পিদগী অয়াম্বা ওইনা পুংনৌ–নৌবা এম এল এ ২০ এসেমব্লিদা চংলকখ্রে।

মেম্বর ৬০ লৈবা অরুনাচল প্রদেশকী এসেমব্লিদা বি জে পিদগী অনৌবা এম এল এ ১১, জনতা দল (য়ুনাইটেদ)তগী ৬, নেসনেল পিপলস পার্টি(এন পি পি)দগী ২ অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট ১ নি। জে দি (য়ু) অমসুং এন পি পিনা এসেমব্লি মীখল অসিদা অহানবা ওইনা শরুক য়ারকখিবনি।

ঙমখৈদা লৈবা ষ্টেট অসিনা পুন্নৌ নৌবা লেজিসলেটরশিং খনবগী ইতিহাস অমা লৈরকই। ২০১৪ এসেমব্লি মীখলদসু পুন্নৌ নৌবা ১৯ খল্লকখি। অদুবু ২০০৯গী মীখলদা অনৌবা ১৭ এম এল এ ওইরকখি।

২০০৪দা পাংথোকখিবা অরুনাচল প্রদেশকী এসেমব্লি মীখলশিং অদুদা পুন্নৌ নৌবা এম এল এশিং খল্লকখিবা মশীং অদু পূক্লিং থৌগৎনিঙাইহনি। মীখল অদুদা মপূন্সিগী অহানবা ওইনা মীরেপ ২৪ এম এল এ ওইনা মায় পাক্লকখি।

বামেং কনষ্টিট্যুয়েন্সিদগী বি জে পি মীরেপ গোরুক পোরদুংনা সিটিং হোম মিনিষ্টর কুমার ৱাই (এন পি পি) মায়থিবা পীরমখি। দেকান সিটতগী বি জে পিগী জুমমুম এটে দিওরিনা অরুনাচল প্রদেশ কোংগ্রেস কমিটি (এ পি সি সি) প্রসিদেন্ট টকাম শঞ্জোই মায়থিবা পীখি।

কলাকতাং কনষ্টিট্যুয়েন্সিদা জে দি (য়ু)গী দোরজি ৱাংদি খরমানা বি জে পিগী টেনজিং নোরবু থোংবোক–এসেমব্লি স্পিকরবু মায়থিবা পীরমখি।

# অন্ধ্র প্রদেশতা ৱাই এস আর সিগী জগন মোহননা গভর্ণমেন্ট শেন্নবা গভর্ণর উন্নখ্রে



*হায়দরবাদ, মে ২৫(এজেন্সি)ঃ*

জুবজনা শ্রমিকা রিয়াথু কোংগ্রেস (ৱাই এস আর সি) প্রসিদেন্ট ৱাই এস জগন মোহন রেদ্দিনা ঙসি অন্ধ্র প্রদেশ অমসুং তেলঙ্গনা গভর্ণর ই এস এল নরসিমহন উন্নখ্রে অমসুং অন্ধ্র প্রদেশতা গভর্মেন্ট শেন্নবা দাবী তৌখ্রে।

বিজয়াৱাদদগী প্লেননা হায়দরাবাদতা থুংলখিবা মিষ্টর রেদ্দিনা ঙসি নুংথিল পূং ৪.৩০ রোম তাবদা গভর্ণর উন্নখি হায়রি। মসিগী মমাঙদা মহাক্কী পার্টিগী নৌনা খল্লকখিবা এসেমব্লি লোমেকরশিংগী বিজয়াৱাদাদা পাংথোকপা মীফম অমদা মহাকপু ৱাই এস আর সি লেজিসলেচর পার্টিগী লূচীংবা ওইনা য়েৎনবা লৈতনা খনখি।

অন্ধ্র প্রদেশ এসেমব্লি মীখলদা পাক্তক্লনা মায় পাকখ্রবা মিষ্টর রেদ্দিনা গভর্ণরগা উন্নরবা তূংদা তেলঙ্গনা চীফ মিনিষ্টর কে ন্দ্রসেখর রাওগা উন্নগনি হায়না ৱাই এস আর কোংগ্রেসকী লিখুনশিংনা হায়খি।

অন্ধ্র প্রদেশকী মেম্বর ১৭৫ লৈবা এসেমব্লিদা এন চন্দ্রবাবু নাইদুনা লূচীংবা লৈঙাক পায়রিবা টেলগু দেসাম পার্টি (টি দি পি)বু নমহৎলমদুনা ৱাই এস আর সিনা সিট ১৫১ ফংখি।

# মিদ্দল ইষ্টতা থল্লিবা য়ু এস ট্রুপশিং অসিনা ইন্টরনেসনেল পিছতা পীবা অকীবা হেনগৎহল্লি ঃ ইরান



*টেহরান, মে ২৩(এজেন্সি)ঃ*

মিদ্দল ইষ্টতা য়ু এসনা অহেনবা লান্মী ১৫০০ থাজিন্নবগী ৱারেপ অদু মালেমগী শান্তিদা পীবা অকীবা অমনি হায়না ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর মোহমদ জবাদ জারিফনা ঙসি থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে হায়না ষ্টেট মেদিয়াগী পাউনা হায়রি।

ঐখোয়গী লমদম অসিদা য়ু এসনা খোঙদাবা হেনগৎলক্লিবা অসি ইন্টরনেসনেল পীছ অমসুং সেক্যুরিটিদা অকীবা অমনি অমসুং য়ান্নমক খুদোঙথিনিংঙাই ওই অমসুং মসি শোয়দনমক মায়োক্লগদবনি হায়না পাকিস্থানদা চৎপা খোঙচৎ অমদগী ময়ুমদা হন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা জারিফনা ওফিসিয়েল ইরনা ন্যুজ এজেন্সিদা হায়খি।

থা অসিগী মনুংদা হান্ননা য়ু এসনা গল্ফ রিজনদা এয়ারক্রাফ কেরিয়র টাস্ক ফোর্স অমা, বি –৫২ বোম্বরশিং, এমফিবিয়স এসোল্ট সিপ অমা, মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম অমা থমলখ্রবগী তূংদা অহেনবা ফোর্স থাজিল্লক্লিবশিং অদু ইরানগী মকোক থোংবা লিদরসিপনা অয়াবা পীবা হন্দক্কী এটেকশিং অদুগী পাউখুমনি হায়না ৱাসিংটননা ফোঙদোক্লিবনি।

অমেরিকানশিংনা মখোয়গী হোষ্টাইল ওইবা পোলিসিশিং অচুম্বা শক্লবা অমসুং পর্সিয়ান গল্ফতা উংখৎনবগী ফিভম শাগৎনবা অসিগুম্বা ৱাফমশিং হায়দুনা লাক্লি হায়না ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর জারিফনা হায়খি।

# জেলদা পুলিসকা খূৎ থোক্লবদা বন্দি ২৩ শিখ্রে

*করাকাস, মে ২৩(এজেন্সি)ঃ*

নোংচুপ থংবা ভেনেজুয়েলাদা লৈবা জেল অমদা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা পুলিসকা খূৎ থোক্লবদা য়ামদ্রবদা বন্দি ২৩ শিখ্রে অমসুং পুলিস ১৪ শোকখ্রে হায়না বন্দিশিংগী হককীদমক লৈরিবা এন জি ও অমনা ফোঙদোকখ্রে।

একারিগুৱাদা লৈবা পুলিস ষ্টেসন জেলদা লৈরিবা বন্দিশিংনা ভিজিটর খরবু শগোলশেল নুমিৎতা হোষ্টেজ ওইনা ফাজিনখিবা অদু স্পিসিয়েল ফোর্সেস (এফ এ ই এস) পুলিসনা রেস্ক্যু তৌনবা হোৎনবদা বন্দিশিংগা খূৎ থোক্লরকখিবনি।

বন্দিশিং অদু খূৎলাই পায়, মখোয়না পুলিসতা কপশিল্লকখি, গ্রেনেদ অনীসু পোকখায়হল্লকখি।


পুলিস ষ্টেসন জেলশিংদি মখোয়গী মখাদা লৈতে হায়দুনা প্রিজন মিনিষ্ট্রিনা থৌদোক অদুগী মত পীযু য়াখিদে। মার্চ ২০১৮দসু অৱাং থংবা ভেলেনসিয়া সিটিদা পুলিস জেল অমদা মৈ চাকপদা বন্দি ২৮ শিখি। আগষ্ট ২০১৭দা অমাজোনাস ষ্টেটতা জেলগী রাইওৎ অমদা বন্দি ৩৭ শিখি।

# লৌমী অমা সুইসাইদ তৌখ্রে

*জয়পুর, মে ২৫(এজেন্সি)ঃ*

রাজস্থানগী তোঙ্ক দিষ্ট্রিক্তা শেন্দোনগী মতাংদা মশাগী চহী ৪৫ শুরবা লৌমী অমা মহাক্কী য়ুম মনূংদা থৌরি য়াল্লগা মশামক শিজখ্রে হায়না পুলিসনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

# দিগবিজয় সিংহগীদমক যজ্ঞ তৌখিবা হিন্দু পুরোহিত মফম লৌথোকখ্রে



*ভোপাল, মে ২৫(এজেন্সি)ঃ*

হন্দক্কী লোক সভা মীখলগী কেম্পেন মনূংদা কোংগ্রেস পার্টিগী ভোপাল মীরেপ দিগবিজয় সিংহগীদমক যজ্ঞ অমসুং অনুষ্থান পাংথোকখিবগীদমক নিরনজানি অখরাগী হিন্দু পুরোহিত অমা ঙসি থাংজ নুমিৎতা মহাক্কী ফমদগী লৌথোকখ্রে।

মহামন্দলেশ্বর শ্বামি বৈরাগ্যজ্ঞনন্দনা ভোপালগী বি জে পি মীরেপ প্রগ্যা থাকুরবু মায়থিহন্নবগীদমক চয়োল অমা চুপ্না মোরেক অঙাংবা কিলোগ্রাম ৫গা লোয়ননা তোঙানবা মখলগী যজ্ঞঅমা পাংথোকখিবনি।

বৈরাগ্যানন্দা অশেঙবা শাধু অমসুং পুরোহিত অমনি হায়বসিদা চীংনবা লৈতে অদুবু কনাগুম্বা মীওই অমগী মীচংদা অমসুং অতোপ্পা অমবু মায়থিবা পীনবগীদমক লাই খুরুম্বনাচীংবা তৌবা হায়বসি মহাকুম্বা শাধু অমগী তৌফম থোকপা নৎতে।

দিগবিজয় সিংহগী মীচংদা মহাক্না তৌরিবা থবকশিং অদু তোক্লবা মঙোন্দা ঐখোয়না ৱার্নিং তৌখিবনি অমসুং পঞ্চায়তি অখরাদগী মহাকপু লৌথোক্লকখিবনি হায়না অখিল ভারতিয়া পরিষদ প্রসিদেন্ট মহন্তা নরেন্দ্র গীরিনা হায়খি। শাধুশিংনা লৈবাক্কী চাওখৎনবা অমসুং নুংঙাই–য়াইফনবা থবক তৌগদবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# পার্লিয়ামেন্টতা নুপী রিজার্বেসন বিল পাস তৌবা ঙমদ্রিঙৈ ওরিষ্যানা চাদা ৩৩ নুপী থাগৎলকখ্রে

*ভুবনেশ্বর, মে ২৫(এজেন্সি)ঃ*

হন্দক্তা লোয়শিনখিবা লোক সভা মীখল অদুদা ওরিষ্যাদগী চাদা ৩৩ নুপী মীহুৎ থাগৎলকখ্রে।

ষ্টেট অসিগী পার্লিয়ামেন্ট সিট ২১দগী নুপী ৭ খল্লকখ্রে। নুপী ৫না বিজু জনাতা দল (বি জে দি) মীরেপ ওইনা মায় পাক্লকখিবনি। নুপী ২ অমনা বি জে পি মীরেপ ওইনা মায় পাকখি।

মায় পাক্লবা বি জে পি নুপী মীরেপশিং অদুদি ভুবনেশ্বরদগী অপরাজিতা শারঙ্গি অমসুং বোলানগিরদগী শঙ্গিতা সিংহদিওনি।

বি জে দিগী মায় পাক্লবা নুপীশিং অদুদি আস্কাদগী প্রমিলা বিশোই, কিওনঝারদগী চন্দ্রানি মুরমু, জগৎসিংহপুরদগী রাজাশ্রী মালিক, জাজপুরদগী সর্মিষ্ঠা সেথি অমসুং ভদ্রাকতগী মঞ্জুলতা মন্দলনি।



*রেকোর্দ ওইনা ৫রক শুবা তার্মগী চীফ মিনিষ্টর ওইগদৌরবা নবীন পাতনায়ক*

লোক সভা অমসুং ষ্টেট এসেমব্লিশিংদা সিট পূন্নমক্কী ৩ থোকপগী ১ হায়বদি চাদা ৩৩.৩৩ নুপীগীদমক রিজার্ব থমগদবা ৱুমেন্স রিজার্বেসন বিল অদু হৌজিক ফাওবা পার্লিয়ামেন্টতা পন্দুনা লৈরিঙৈ অসিদা ওরিষ্যাদগী পার্লিয়ামেন্টকী লৱার হাউস অসিদা চাদা ৩৩ নুপী থাগৎলকখিবা অসি য়াম্নমক শিংথানিঙাইহনি।

বি জে দি প্রসিদেন্ট অমসুং চীফ মিনিষ্টর নবীন পাতনায়ক্না লোক সভা মীখলদা পার্টিগী অপূনবা মীরেপকী চাদা ৩৩ হায়বদি নুপী ৭ মীরেপ ওইনা থাদোকখি। মদুগী মনুংদা নুপী মীরেপ ৫ মায় পাক্লকখি।

ওরিষ্যাগী অপূনবা লোক সভা সিট ২১গী মনূংদা ষ্টেটকী লৈঙাক পায়রিবা বি জে দিনা লোক সভা সিট ১২, সেন্টরদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিনা ৮ অমসুং ওপোজিসন কোংগ্রেসনা সুপ্নগী ১খক ফংখি। এসেমব্লি সিট ১৪৬কী মনূংদা বি জে দিনা ১১২, বি জে পিনা ২৩ অমসুং কোংগ্রেসনা ৯ ফংখি।

কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া – মার্ক্সিষ্ট ১ অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট ১ মায় পাকখি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without*

**Hard Sana Suduku-132**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | | | 7 | | | | 6 | 2 |
| | 7 | 8 | 4 | 2 | | | 5 | |
| 4 | 9 | | | 5 | | 8 | | |
| | | 7 | | | 4 | | 2 | 6 |
| 2 | | 4 | 5 | | | | 7 | |
| 8 | | 1 | | | 9 | | 4 | |
| | 8 | | | | 7 | 2 | | |
| | 4 | | | | 2 | 7 | | |
| | 2 | | | 8 | | | | 4 |

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 09/04/19
Valid : 05/04/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**Khumbong Indane**
Booking : 27/04/19
Valid : 24/04/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Maibia Gas Moirang**
Booking : 08/04/19
Sl. No. : 1770
Valid : 05/04/19
Sl. No. : 1241
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Bashikhong Indane**
Booking : 09/04/19
Valid : 02/04/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Patsoi Indane**
Booking : 30/04/19
Valid : 24/04/19
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Swombung Indane**
Booking : 23/04/19
Valid : 02/04/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 02/05/19
Valid : 29/04/19
Sl. No. : 30886 to 31311
Time : 07.00 to 09.30 a.m.

## সনা–সুদোকু – ১৩১ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 1 | 2 | 4 | 5 | 9 | 7 | 3 | 8 |
| 7 | 9 | 5 | 1 | 8 | 3 | 2 | 4 | 6 |
| 4 | 8 | 3 | 6 | 7 | 2 | 5 | 1 | 9 |
| 9 | 3 | 1 | 7 | 2 | 6 | 8 | 5 | 4 |
| 8 | 5 | 7 | 9 | 1 | 4 | 6 | 2 | 3 |
| 2 | 4 | 6 | 5 | 3 | 8 | 9 | 7 | 1 |
| 5 | 7 | 8 | 3 | 9 | 1 | 4 | 6 | 2 |
| 3 | 6 | 9 | 2 | 4 | 5 | 1 | 8 | 7 |
| 1 | 2 | 4 | 8 | 6 | 7 | 3 | 9 | 5 |